# নেয়ম সুলেয়মানোভ : টর্কিগী 'হেরো' থৌনা ফবা মীংচৎ পুরকপা ঙস্বা নুপা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

কুমজা ১৯৮৬ তা মেলবোর্ন সহরদা অরুস্বা থাঙ্গৎপগী অথোয় অহেন তান্নবগী ৱার্ল্ড কপ কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখিবদা বলগেরিয়াগী নেয়ম সুলেয়মানোভ কৌবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা অমা কিলোগ্রাম ৬২ গী কাঙলুপ, ফিদর ৱেথতা শরুক য়াবা চৎখি। চেম্পিয়ন অদু লোইরবা মতুংদা বলগেরিয়াগী টিম অদু মেলর্বোনগী মনাক্তা লৈবা হাউথোর্ন কৌবা মফম অমদা লৈবা লিওন্দস হোটেলদা পাঙথোকপা পার্টি অমদা শরুক য়াখি। ময়াম অদুনা চাবা থকপরোমদা মায় ওনশিল্লিঙৈদা নেয়ম সুলেয়মানোভনা মীয়াম তিল্লিবা হোল অদুদগী মপান থোরকখি অমদি নুমিৎ মরিনি মফম অমদা লোৎতুনা লৈখিদুনা মহাক্কী লৈফম অদু কনা অমত্তনা থিবা খঙদবগী পাউ অসি মালেমগী মফমশিংদা পাউচে অমদি রেদিও অমদি টেলিভিজন্দা শনে দাকখি। নুমিৎ মরিনিগী মতুংদা মহাক ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা টর্কিগী এম্বেসিগী ওফিসতা চৎতুনা চঙজফম লৌখি। মহাক লন্দন সহরদা পাইহনখি। মফম অদুদা মহাকপু টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টর টরসট ওজালগী মশাগী লনাই জেট প্লেন অমনা ঙাইদুনা লৈরমদুনা খুদক্তা টর্কিদা পুদুনা চৎখি। টর্কিগী অনকারাদা লৈবা এরোপ্লেন তাফম হেক য়ৌবগা মহাক্না লৈবাক অদুগী লৈমাই অদুবু চুপ্তুনা খুরুমজখি অমদি মহাক্কী অনৌবা লৈবাক টর্কিগী 'হেরো' থৌনা ফবা মীংচৎ পুরকপা ঙস্বা নুপা অমা ওইখি।



নেয়ম সুলেয়মানোভ বলগেরিয়াদা পোকপা টর্ক মচানি, মুসলিমনি। লৈবাক অসিদা খৃষ্টান চৎপশিংনা চাদা ৮০ হেন্না খুনদাদুনা লৈ। মসিগী মথংনা চাদা ১২ দি মুসলিমনি। মতম অদুদা মীশিং হেন্না খুন্দাবা খৃষ্টানশিংনা মুসলিমশিংবু নমথনবা অরোনবা অমদি অফোংবা থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎলি। মরম অদুনা য়ূমলোন্নবা লৈবাক টর্কিদা মনীং তম্না চৎথোক চৎশিন তৌহন্দে। বলগেরিয়া কম্যুনিষ্ট লৈঙাক্কী মখাদা শান্না খোৎনবদা য়াম্না থৱায় য়াওবা লৈবাকনি। লৈবাক অসিনা অরুস্বা থাঙ্গৎপদা মায় পাকপা মীওইশিংবু কা হেন্না ইকায় খুম্নে অমদি ফুট মঙাখক্তমক ৱাংবা নেয়ম সুলেয়মানোভ মশা য়াম্না ফবা মপাঙ্গল কনবা অঙাংনি খঙদুনা লৈবাক অসিগী শান্না খোৎনবগী অশিন অরাং তৌবশিংনা মহাকপু শেন্বী শাগৎপীদুনা মহাক্না চহী ১৪ খক্তমক ঙাইরিঙৈদা অরুস্বা থাঙ্গৎপগী অথোই অহেন তান্নবদা সেনিয়ার নুপাগী মালেমগী রেকোর্দ ফিদর ৱেথতা থুগাইগদবা পাউন্দ মঙা মখায় খক্তমক ৱাংখি। মহাক্না চহী ১৫ চঙলকপা মতমদা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ অমা অরুস্বা থাঙ্গৎপদা থমদুনা মালেম পূম্বনা ঙক্ল খি। মহাকপু কম্যুনিষ্ট লৈঙাক্না য়ূম অমা পীবগা লোয়ননা থাগী তলব পীদুনা মপূক্লিং থৌগৎপীখি।

কুমজা ১৯৮৪ দা মহাক্না মহাক্কী ত্রেনিং তৌফমদগী ময়ূমদা হায়বদি মহাক্কী পোক্নফম মোমচিলগ্রেদতা দিসেম্বর থাদা হল্লকপা মতমদা মফম অদুদা লৈবা টর্ক মচাশিংবু বলগেরিয়া লৈঙাক্না তমথিনা ওৎতুনা নুংশি হৈতবা থৌরাং কয়া অমুক লৌখৎলম্বা থেংনখি। টর্ক কাঙলুপনা (মচাশিংনা) দিমোনসত্রেসন চৎপদা মখোয়বু তমথিনা নমথনবা বলগেরিয়া লৈঙাক্না হোৎনরমখি।

লাইখুরুম্বগী মফম, মুসলিমগী লাইশঙশিং থিংজিল্লম্মী। মুসলিমগী চৎনবী মতুংইন্না হান্না ছুটি থারম্বা নুমিৎশিং অদুগী ছুটি ককথৎখি। অশিবা ফুম্বা আইন্না থিংখি। টর্কি মরোল ঙাঙনবা থিংখি। মসিগী মথক্তা টর্কিগী ওইবা মনাৎকী ফিজেৎ চাকচা শীজিন্নবা, শেৎ চাবা থিংলম্মী। মসিগী মায়োক্তা লৈবাশিংবু জেলদা থম্বা কা হেনবশিংবু শিবগী দন্দি পীবগী থবকশিং লৌখৎলমখি।

কুমজা ১৯৮৫ দা নেয়ম সুলেয়মানোভ মেলবোর্ন্দা (ওষ্ট্রেলিয়া) নুমিৎ ১০ নিগী ৱেথ লিফটিংগী ত্রেনিং অমা য়াওবা চৎলুবদা মফম অদুদা বলগেরিয়াদগী চেল্লক্তুনা চঙজফম পীদুনা লৈবা টর্ক মুসলিমশিং অদুনা মহাকপু চঙজফম লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা পাল্লবদি মখোয়না মতেং পাঙবিগে হায়বদা মহাক্না য়াখিদে। মহাক্কী পাউখুমদি করিগুম্বা মহাক্কী মমিং অদু বলগেরিয়াগী মমিংদা ওনথোকউ হায়রবদি নখোয়না হায়রিবা অদু খন্নবা য়াই। মদু নত্তবদদি মহাক লৈবাক অমদা চঙজফম লৌবা পামদে।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না বলগেরিয়াদা হনখিবা মতমদা মহাক্কী পাসপোর্ট অদু লৈঙাক্না লৌশিনখি অদুগা অনৌবা মমিং অমা হোংদোকপা পাসপোর্ট অমা পীরকখি। অনৌবা পাসপোর্টতা পীরকখিবা মমিং অদু বলগেরিয়াগী মমিংনি। 'নাউম সালামানোভ' হান্নগী মমিংনা 'নেয়ম সুলেয়মালোভ' নি। মহাক্কী অনৌবা মমিং লৈঙাক্না থোনখিবা অসিগী মরমদা পাউচেশিংদা মহাক্কী মমিং বলগেরিয়াগী অশেংবা মীংদা ওন্থোক্লে হায়না শাশিন্নবা ইন্টরভিয়ু অমা পাউচেশিংদা হাপখি। মদুদা অচুম্বা ওইরবোই নীংদুনা টর্ক মচাশিংনা মহাকপু শাউখি। মরম অদুনা নেয়ম সুলেয়মালোভনা কুমজা ১৯৮৬ তা মেলবোর্ন্দা অথোয় অহেন তান্নবা চৎপা খোঙচৎতা মফম অদুদা লৈবা টর্কিগী এম্বেসিদা চঙজফম লৌদুনা টর্কি লৈবাক্তা লৈখিদুনা মসিগী সিটিজন ওইখিবা অসিনি।

ওলেম্পিক্কী চৎন-পথাপ মতুং ইন্না কনাগুম্বা শান্নরোয় অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা হোংখিদুনা লৈবাক অদুগী মমিংদা মহুৎ শিন্দুনা ওলেম্পিক গেমস নৎত্রগা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক চহী অহুম ঙাইগদবনি। অদুবু মহাক্না হান্না সিটিজন ওইরম্বা লৈবাক অদুনা অয়াবা পীরবদি চহী অহুম ঙাইদ্রবসু য়াই।

টর্কি লৈঙাক্না বলগেরিয়া লৈঙাক্তা দোল্লর ১,০০০,০০০ (লাক্ষ তরা) পীরবা মতুংদা অয়াবা অদু পীখি অদুবু নেয়ম সুলেয়মানোভনা মীয়ামদা বুলগেরিয়াগী মায়োক্তা ৱা অমত্তা ঙাঙহল্লোয়দবনি হায়না য়ানখি।

চহী অদুগী জুলাই থাদা সিওলদা পাঙথোকখিবা কালেনগী ২৪ রক শুবা ওলেম্পিক গেমসতা মহাক্না ফিদর ৱেথতা স্নেচতা কিলোগ্রাম ১৫২.৫, জর্কতা কিলোগ্রাম ১৯০ পূন্না কিলোগ্রাম ৩৪২.৫ থাঙ্গৎতুনা হীরম অহুমক অসিদা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখি। মহাক্না সিওলদগী হল্লকপদা অনকারাগী এরোপ্লেন তাফমদা থুংলবা মতমদা মীওই মিল্লিয়ন অমরোম্না মহাকপু ওক্লম্মী।

মহাক্না মেদিয়াগী খূৎথাংদা অসুম্না হায়খি মদুদি 'মসি ঐগী সনাগী মেদল নত্তে। মসি টর্কি মচাশিংগী মেদলনি'। মহাক্কী ৱারী অসি মালেম শিনবা থুংনা খঙনরক্লে। মহাক্কী পোক্লকপদগী কৌরক্লবা মমিং 'নেয়ম সুলেয়মানোভ' হায়বা মমিং অমদি বলগেরিয়া লৈঙাক্না ওন্থোকখিবা মমিং 'নাউম সালামানোভ' হায়বা মমিংশিং অদুগী মহুত্তা টর্কিগী অশেংবা মমিং নেয়ম সুলেয়মানোগলু হায়না অমুক থোন্দুনা ওলেম্পিক্কী রেকোর্দ বুক্তা অকোনবগী মমিং অসি থম্মী।

মহাক্কী অসিগুম্বা খোঙথাং অসিদা বলগেরিয়াদা লৈবা চাউরাক্না টর্কিগী হৌরকফম ওইবা মীওই ৯০০,০০০ (লাক্ষ মাপন) লোমগী মনুংদা শরুক অহুম থোকপগী অমদি টর্কিদা চৎখিবদা/হোংখিবদা অথিংবা থম্বা ঙমখিদে। ফুট মঙাখক্তমক ৱাংবা নিপা অসি বলগেরিয়াদা ইনখৎলকপা নিপামচা ওইরিঙৈদা নুপী মচাশিংনা অনেম্বা নুপানি হায়না নোক্নরম্বদগী হৌজিক্তি টর্কিন্দা নুপীমচা লিশীং লিশীংনা মহাক্কী মতুং ইন্নরি হায়না টর্কিগী পাউচেশিংনা য়াম্না থৱায় য়াওনা শন্দোক্নরি। ⏮

# চৈরাওবা ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নসি

খুন্দোংবম ইবোমচা

*চৈরাওবা* মৈতৈশিংগী চহী হৌবা নুমিৎতা পাঙথোকপা লাইগী থৌরম অমগী মমিংনি। নুমিৎ অসিদা মৈতৈশিংনা মাগী মাগী ইঙ্খোলদা ফংবা মনা-মশিংনা অথেনপোৎ শেমদুনা লাইনিংথৌ লৈমরেলদা কৎনৈ। অসুম্না লাইনিংথৌদা কৎলবা মনা-মশিংদুনা নুমিত্তুগী মথেল লুকোই শেন্মী। থোং-থাকপা লোইরবদা মথেল খুদিংমক্তগী খরা-খরা লৌরগা থোঙ্গালদা তিনমু-লাইমু, শরোই-ঙারোইশিংগী শরুক থাদোকপসু চৎনৈ। অসুম্না লাইগী থাদোকপা লোইরবদা ইমুংগী অহলদুনা লুচিংদুনা মচা-মশুশিংগা লোয়ননা চাকলেন চামিন্নৈ। ঙল্লিঙৈ মতমদদি শিগুম্বা ৱারী অমসু লৈ, মদুদি নিংথৌগী মনাই অমনা মতোন্দা শরিক থাংলবা চৈ অমা পায়রগা খিংল-খিংলদুনা 'চহী হৌরে, চহী হৌরে' হায়না লাউরগা লৈকায় খুদিং থুংনা চৎলম্মী হায়নৈ। অদুগুম্বা থৌওং অদুদগী নুমিৎ অসিবু চৈরাওবা কৌখিবনিসু হায়নৈ।

ঙল্লিঙৈদা মৈতৈশিংনা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোক্নরল্লিবা চহী মখল অসি লুনার য়র হায়বদি থাবানগী চহী হায়বদুনি। মালেমগী ওইনা চহী অসি মখল অনী থোক্না চৎনৈ। অহানবদা থবানগী চহী (লুনার য়র) অনীশুবনা নুমিৎকী চহী (সোলর য়র) অসিনি। থানা মালেমগী অকোয়বদা অমুক্তং থুংনা চৎপদা চঙবা মতম অসি নুমিৎ ২৯নিগা পুং ১২নি। মসিবু লুনার মন্থ, থবানগী থা হায়না খঙনৈ। চহী অমা শাগৎনবগীদমক অসিগুম্বা থা অসি ১২রক লৌবা মতমদা নুমিৎ ৩৫৪ ফংই অমসুং মসিবু লুনার য়র, থাবানগী চহী হায়না খঙনৈ। সোলর য়রদি মালেমনা নুমিৎকী অকোয়বদা অমুক থুংনা চৎপদা চঙবা মতম অদুনি। মসি চাউরাক্না নুমিৎ ৩৬৫গা পুং ৬ মুক শাংই। মরম অদুনা ঙসাইগী থবানগী চহীদুদগী নুমিৎকী চহী অসিনা নুমিৎ ১১গা পুং ৬কী মতম শাংবা হেল্লি।

অতোপ্পা অমনা মালেমগী লৈমায়থক্তা অঙৈং-অশা, নোংজুথা, য়েনিংথা হায়বনচিংবা ঋতু ময়াম অমা থোকহল্লিবা অসি মালেম্না নুমিৎকী অকোয়বদা চৎপা খোঙচৎ অসিনা মরম ওইরগনি। মরম অদুদগী নুমিৎকী চহী মখল অসিগা মালেমগী ঋতু হোংদোক-হোংজিনগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। থবানগী চহীদি নুমিৎকী চহীদগী নুমিৎ ১১নিগা পুং ৬কী মতম তেনবা হেল্লি হায়বসি মথক্তা পনখ্রে। মরম অদুনা চহী মখল অসি ঋতুগা চৎমিন্নবা ঙমদে। অদুমকপু য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী অখঙ-অহৈশিংনা থবানগী চহীনা চহী অহুম-অহুম শুরকপা খুদিংদা থা অমমম হেনগৎনা লৌদুনা হায়বদি থা ১৩না শাবা চহী অমমম য়াওহন্দুনা ঋতুগা চৎমিন্নবা য়ানবগীদমক্তা শীল্লি। মুসলিমশিংগীদি থবানগী চহীদা থা হাপকৎপগী চৎনবী অসি লৈতে। মরম অদুনা মখোয়গী থবানগী চহীদি ঋতুগা পাননা চৎমিন্নবা ঙমদে।

নুমিৎকী চহীবু ওইরো, থাগী চহীবু ওইরো, চহী হায়বা খুদিংমক অসি মসা (স্পোক) ১২ পানবা কাংখোঙ অমগুম্বনি। কাংখোঙ অসিনা অমুক্তং থুংনা ওনবদু চহী অমনি। মসা ১২ অসিনা থা ১২বু খঙনগনি। হৌজিক মসা ১২ অসিগী মনুংদগী করম্বা মসানা খ্বাইদগী অহৌবা মসা ওইফম থোকপগে হায়না হংবা তারবদি পাউখুম পীবদা লুনা থোক্কনি। অদুমকপু কনাগুম্বা অমনা মসা ১২ অদুগী মনুংদগী অমবু অহৌবা মসানি হায়রকপা তারবসু লাল্লি হায়বা য়ারোই। মতৌ অসুম্না তোঙান তোঙানবা লৈবাক্তা তোঙান তোঙানবা নুমিৎ থাদা হায়বদি চহী কাংখোঙগী তোঙান তোঙানবা মসাদা মখোয় মখোয়গী চহী হৌই। নোংচুপ লৈবাকশিংদা সোলার য়র অসি জন্যুৱারী থাগী তাং ১দগী হৌই। ইন্দিয়াদনা মসি সৌর বৈশাখ থাগী তাং ১ হায়বদি এপ্রিলগী তাং ১৪/১৫দগী হৌই। লুনার য়রগী ওইনা য়েংলবসু ঐখোয়গী মণিপুরদা চৎনরিবা চহী অসি শজিবুগী নোংমা পানবদগী হৌরগা লমতা থাগী থাশি ফাওবনি। মুসলিমশিংগী লৈবাক্তনা মহরম থাগী থবান ১দগী হৌরগা জেলহ-থাগী থাশি ফাওবনি।

অসুম্না চহী হৌবগী নুমিৎ অমসুং থা অসি লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা মান্নদ্রিবগী মরম অসি মখোয় মখোয়গী লৈবাক্তা চৎনরম্বা মিথোলোজিগী ওইবা ৱারী শীঙবুনশিংনসু মরম অমনি। নোংচুপ লৈবাক্কী সোলার য়রনা জন্যুৱারী থাদগী হৌখিবগী ৱারী অমা লৈ মদুদি রোমানশিংগী মিথোলোজিদা জানুশ কৌবা লাই অমা য়াওরি। হায়রিবা লাই অসি মমাই অনী পাল্লি হায়না থাজনৈ। অহানবা মমায়না মাংলোমদা অদুগা অনীশুবা মমায়না তুংলোমদা য়েংই হায়নৈ। অসুম্না তুং মাং অনীমক য়েংবা ঙম্বা লাই অসিনা মখোয়গী গেত্তা অমদি থোঙজিন্দা লৈদুনা মখোয়বু ঙাক শেনবী হায়না থাজনৈ। মরম অদুদগী রোমানগী নিংথৌরেল জুলিয়স সিজরনা জানুশ কৌবা লাইগী মমিং লৌরগা থোনখিবা থা জন্যুৱারী থাবু মখোয়গী চহীগী অহানবা থা ওইনা লৌরম্মী। ইন্দিয়াদা সোলার য়র অসি সৌর বৈশাখ থাদগী হৌরল্লিবা অসিগীসু সিগুম্বা ৱারী অমা লৈরি মদুদি ইন্দিয়াগী অরিবা মতমগী জ্যোটিশ খঙবশিংনা নুমিৎ অসি মালেমগী অকোয়বদা কোয়না কোয়না চৎলি হায়না লৌরম্মী। নুমিৎনা অসুম মাগী লম্বীদা চৎলকপদা অতিয়া মকোয় শিন থুংনা শন্দোক্তুনা লৈরিবা রাশি ১২ মক ফাওদুনা চৎলি হায়নসু মখোয়না থাজরম্মী। বৈশাখ থাগী তারিখ ১ অসি নুমিৎনা অহানবা রাশি ওইরিবা মেষ রাশিদা চঙবা হৌবা নুমিৎনি। মরম অদুদগী ইন্দিয়াদা সোলর য়র অসি বৈশাখ থাগী তাং ১দগী হৌবা অসি চৎনখি।

মীওইবগী সিভিলাইজেসন্না অসুম চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না নুমিৎ, থা, থবানশিংবু ইশিন-খোৎচিন তৌদুনা থম্বা অমদি করম্বা থবান্না অমসুং তারিখনা করম করম্বা নুমিৎশিংদা তাবগে লোয়ননা হৌখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী নীংশিং কুমওনশিং করি নুমিত্তা পাঙথোক্কদগে হায়বনচিংবা পূম্নমকপু লায়না খঙবা ঙম্নবা মখল অমা নৎত্রগা অমগী কেলেন্দর পুথোক্তুনা শীজিন্নবা হৌরকখি। নোংচুপ লৈবাকশিংদা পোপ গ্রেগোরিনা হৌদোক্লম্বা সোলার য়রদা য়ূম্ফম ওইবা গ্রেগোরিয়ান কেলেন্দর অসি য়াম্না মপূং ফাবা কেলেন্দর অমা ওইনা হৌজিক ফাওবা চৎনরি। ইন্দিয়াদসু মওং অমা নৎত্রগা মওং অমগী কেলেন্দর (পাঞ্জিকা) য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী চৎনবা হৌরকখি হায়বা খঙবা ঙম্লে। কেলেন্দরনা থৌদোক অমগী নীংশিং নুমিৎ করি থাদা অমসুং করম্বা নুমিত্তা তাবগে হায়বদি য়াম্না লায়না খঙহল্লি অদুবু থৌদোক অদু কয়াম কুইরবগে, চহী কয়া শুরবগে হায়বনচিংবদি খঙহনবা ঙমদে। ভগবান শ্রী কৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ অসি থৱান থাগী শিথরকপা নিপালনি পানবদা তাই হায়বদি কেলেন্দরদগী খঙবা ঙম্মী অদুবু ভগবান শ্রী কৃষ্ণ অসি চহী কয়া শুরবগে হায়বদি খঙবা ঙমদে। মরম অদুনা থৌদোক অমগী নৎত্রগা মী অমগী চহী লায়না পাবা য়ানবা পাম্বে অমা ওইনা কুমজা (ইরা) চৎনবা অসি হৌদোক্লকখি। নোংচুপ লৈবাক্কী ওইনা ডাইওসিয়স এক্সিগুস কৌবা খৃষ্টিয়ান লম্বোইবা অমনা ইহান হান্না খৃষ্টাবন্দ হায়না খঙনবা সোলার য়রদা য়ূম্ফম ওইবা কুমজা অসি হৌদোকখি। কুমজা অসি যিশু খৃষ্টনা পোক্লবা চহী খরগী মতুংদা হৌদোকখিবা ওইরগসু চহী পাবদি যিশু খৃষ্টনা পোকখি থাজনবা চহী অদুদগী থিবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী সোলর য়রদা য়ূম্ফম ওইবা কুমজা, শকাব্দসু নিংথৌরেল কনিস্কনা ফম্বাল তোংবদগী চৎনবা হৌরকখি থাজনৈ। মতৌ অসুম্না লুনার য়র চৎনবা লৈবাকশিংদসু মখোয়গী ওইবা কুমজা পুথোক্তুনা চৎনবা হৌরকখি। খুদম ওইনা মুসলিমশিংগী লৈবাক্তা চৎনরিবা হেজিরা কৌবা কুমজা অসি লুনার য়রদা য়ূম্ফম ওইবনি। কুমজা অসি মুসলিমশিংগী ইস্লাম ধর্ম্ম হৌদোক্লম্বা হজরট মুহমদনা মক্কাদগী মেদিনাদা লান চেনবা নুমিৎতগী থিবা হৌরকখি।

ঐখোয়গী রাজ্য মণিপুরদা য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী লুনার য়র চৎনদুনা লাক্লবসু কুমজা থিবগী চৎনবী অসিদি খঙলমদে। অদুমকপু মতম অমগী মায়চৌ অখঙ-অহৈশিংনা চহী পাবা ঙম্নবগীদমক্তা পাম্বে অমা ওইনা চৈথোবা কৌবা থৌওং অমা চৎনরম্মী। শজিবু নোংমা পানবা চহী হৌবা নুমিত্তা কনাগুম্বা নুপা অমনা লৈবাক মমাঙদা থোক্লগা চহী অদুমগী ফত্তবা অৱা-অনা পূম্বা মহাক্না পুজরগে হায়না লাউথোকই। মহাক অদুবু চৈথোবা হায়না খঙনৈ। কোনুংগী মায়চৌশিংনা চহী চহীগী ওইবা চৈথোবশিংগী মমিংশিং ইশিন্দুনা থম্মী। করিগুম্বা থৌদোক অমা চহী কয়াম কুইরবগে খঙগে হায়রবদি, থৌদোক অদুনা থোকখিবা মতমগী চৈথোবদগীনা ঙসি ফাওবগী চৈথোবগী মশীং থিরগা খঙবা ঙম্মী। থৌওং অসিগী খুদোংচাদবা অমদি চৈথোবশিংগী মমীং ইশিনবগী থবক অসি কোনুংগী মায়চৌ খরদনা তৌরম্বনা মীচমশিংনা থৌওং অসিগী খুদোংচাবা লৌবা ঙম্লমদে।

অসিগুম্বা ঐখোয়গী মতম অমগী অৱাৎপা অদুনা মরম ওইদুনা মতমদুদা ধর্ম্ম শন্দোকপা লাক্লম্বা ময়াংশিংনা শকাব্দগী কুমজা অসি ষ্টেটসিদা পুশিল্লকখি। লোয়ননা সোলর য়র চৎনবসু হৌদোকখি। মতম অদুদগী হৌনা ঐখোয়গী চৈথারোল কুম্বাবনচিংবা খূৎই লাইরিকশিংদা অমদি মী অমগী জন্ম কোষ্ঠিনচিংবা ইবা মতমদা শকাব্দগী কুমজা শীজিন্নবা হৌরকখি। করি অমুক হায়গনি শজিবু নোংমা পানবদা পাঙথোক্লম্বা থবান চহী হৌবগী চৈরাওবা থৌরম অদু সোলর য়রগী অহৌবা নুমিত্তা ওইনা হায়বদি সৌর বৈশাখ থাগী তাং ১দা পাঙথোক্লবা হৌরকখি। কোলকটাদা ফোঙবা পি এম বাকচিগী দিরেক্টরী পঞ্জিকাদা নুমিৎ অসিবু গৌড় চৈরাওবা হায়না রেকোর্দ তৌই। কনাগুম্বনা থৌওং অসিবু চড়ক পুজা হায়গদবনি হায়না মত ফোঙদোক্লবসু লৈ। অদুবু মদুমক্তি চাম্মদা চাম্মা অরানবা ওইগনি হায়না থমজনীংই। মরমদি চড়ক পুজা হায়বসি বেঙ্গোলগী মফম খরদা বাংলাদেশকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওই খরখক্তনা পাঙথোক্লবা থৌরমনি। অমরোমদসু চড়ক পুজাদি শিব মহাদেববু পুজা তৌবনি। অদুগুম্বা থৌরম অদুগা ঐখোয়গী ষ্টেটসিদা পাঙথোক্লরিবা চৈরাওবগী থৌরম অসিগদি করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মান্নবা য়াওদে হায়বা য়াই।

মথক্তা নৈনখ্রিবা ৱাফমশিং অসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি চহী হায়বসি সোলরবু ওইরো, লুনারবু ওইরো মালেমগী ওইনা অমমম খক্তনি। অদুবু তোঙান তোঙানবা লৈবাক্তা তোঙান তোঙানবা নুমিৎ থাদা চহী হৌবগী চৎনবী লৈরম্বনা চহী মখল ময়াম অমা লৈবগুম ঐখোয়না উরে। কনাগুম্বা অমনা তোঙান তোঙান্না লৈবগুম উরিবা চহীশিংগী তোঙান তোঙানবা চহী হৌবা নুমিৎশিং অদু লোইনা পালন তৌজগে হায়রবসু করিবু কায়বা লৈবগে? অদুমকপু চহী মখল অমগী হৌবা নুমিত্তা পাঙথোক্লরকপা থৌওং অমবু অতোপ্পা চহী মখল অমগী হৌবা নুমিত্তা পাঙথোক্লে হায়রবদি থৌরমশিং অদুগী ফজবা, নুংগী ওইবা মতিক ময়াইশিংদু লোইনা মাঙখিবা য়াই। মরম অদুনা চৈরাওবা কৌবা থৌরম অসিমক্তি গৌড় লাইনীং চৎপনসু, মৈতৈ লাইনীং চৎপনসু শজিবু নোংমা নোংমা পানবা নুমিত্তা পাঙথোকপীবনা অচুম্বা ওইগনি। অদুগা বেঙ্গোলি বৈশাখ থাগী তারিখ অমদা পাঙথোক্লরিবা গৌড় চৈরাওবা হায়না কৌনরিবা নুমিৎ অসিবুনা চৈরাওবা হায়বগী মহুত্তা ইন্দিয়াগী অতৈ অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনবগুম নব্বর্ষ হায়গেরা ইচম চম্না চহী হৌবা হায়গেরা অমা হেক্তা হায়বিরগা য়ূম কৈ শেংদোক্তুনা লনগী লক্ষ্মীবু পুজা তৌবনা চয়েৎনবা পূম্নমক কোক্তুনা অচুম্বা হায়বদু ওইগনি নীংজে। ⏮

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৩

১। মৈতৈ লৈবাক্তা মী অমা শিবদা অঙাংমক নৎত্রবদি মৈ থাদুনা পোৎলোইবা কুইরবদগী চৎনরকই, ঙসিসু চৎনরি।
(ক) চৎনবী অসিগী মমাঙদা মৈতৈ লৈবাক্তা পোৎলোইবা মখল কয়া লৈরম্বগে?
(খ) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী মৈ থাবখক্তা চৎনরকখিবগে?
২। ''ফৌশু ঈশৈ শক্তি/আদগী চীংদোন অসিদনি।'' পরেং অনী অসি জননেতা ইরাবতনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। ''ঐখোয়না কপ্লি/ঐখোয়গী পুন্সিগী থোঙজিন্দা/নোংজুথানা কৌনরুবা য়াওদনা লেপ্লবা খুদিংদা।'' পরেং অহুম অসিনা 'লোক্তাক পাৎকী ফূম' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। ''ঙাইবু ঙাইরবদি মতমসিসু হৌদেদকো, প্রেমিলানা খল্লি।'' পরেং অসিনা 'হৌদোং তুরেল কুমদবী' কৌবা ৱারীমচাদুগী অহানবা পরেংনি। অইবী অদু কনানো?
৫। ''ইচা ইশুগীদমক/হুনবা লোইদ্রি/পামলৌগী লৌবুক্তা/সনা ফৌগী মরূশিং।'' পরেংশিংসিনা 'য়াচঙবা নঙ হল্লো' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*